ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, সেপ্টেম্বর ১৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৭০শুবা মশীং

# মৈনা লমশি শিরকপা
## কুইর-কুইরগা য়োং মাল্লকপা

পুং ২৪না শাবা হৌজিক্কী নোংমগী মতমদা মৈ (ইলেক্ট্রিক্ট) কী তঙাইফদবসি অকক্নবা পুং খরখক্কী ৱাফম নত্তে। নোংমা শারিবা পুং ২৪ মক্তা মৈগী চন্নফম লৈ, মথৌ তাই। অদুনবু মৈগী মমল হেঙ্গৎলক্লবসু কনামত্তনা মৱা-মনিল নাইনদনা মৈ লৈদুনা শীজিন্নরিবনি। মৈ মূৎখিবা/লাক্তবা মতমদসু মহুৎ শিন্ননবা জেনরেটর নৎত্রগা বেট্টরি থমদুনা শীজিন্নরিবনি। অদুবু বেট্টরিদি চার্জ তৌবদা মৈগী মথৌ অমুক তারিবনি। হায়বদি নোংমগী মীওইবগী পুন্সিদা মৈনা লৌরিবা থৌদাংশিং ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। ওইহল্লক্লিবা ফীভমসি কঞ্জ্যুমরশিংনসু মৈ শীজিন্নবগী চাং অঙকপা ফংনা হেনগৎলকপদগীনি। মরমশিং অসিনা ঙসিগী দিজিটেল এজসিদা মৈগী তঙাইফদবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি, ওন্থোক্লসু য়ামখ্রে। অদুবু মৈগী তঙাইফদবনা ফীভমসি য়ৌরক্লবসু মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়াম কঞ্জ্যুমরশিংদা মৈ চাং নাইনা পীবা ঙম্লব্রা? ৱাহংসিদি মণিপুরগী লৈঙাক পোলিটিকেল পার্টি অমনা পায়গেরা অমনা পায়গেরা, চুংশিন্নবা লৈঙাক ওইগেরা ওইরোইরা ঙসিসু হংবগী মথৌ অদুম্মক তারি। অদুবু ৱাহংসি হংবগী মথৌ তাহল্লক্লিবনা করিগীনো? নেসনল হায়দ্রো প্রোজেক্ট কোর্পোরেসন (এন ঐচ পি সী) না লোক্তাক্কী ঈশিংদগী শুংলিবা মৈদগী লৈবা, মণিপুরগী মপান্দগী লৈরুবশিং অদুনা মৈগী মথৌ তাবা ষ্টেটসিগী কঞ্জ্যুমরশিংদা পীবা কোন্নদব্রা? কোন্নদ্রবদি কোন্ননবা লৈবা য়াদব্রা? মীঙোন্দা চাক পীজববু মবুক থন্নবা চাক চাক্লুক অমা পীগদবগী মহুত্তা এঞ্জাংসু য়াওদবা চাক চখোম অমা পীরগা চাক পীজখ্রে হায়বা য়াব্রা?

মৈগী থবক পুবা মিনিষ্টর অমসুং মৈ লোয়শঙগী ওফিসলশিংনা য়াম্না তোয়না তৎতনা হায়বা ৱাহৈ অমসু লৈরি। মদুদি মপান্দগী লৈরিবা মৈগী মমল য়াম্মী। অদুবু কঞ্জ্যুমরশিংনা পীরকপা মৈগী মমলনা নেম্বদগী লুপা ক্রোরনা খুজিং ওইরগা শেল মাঙই অমসুং পুথৈ হায়বসিনি। মসিসু অচুম্বা ৱাফম ওইরমগনি। অদুবু শেল পুথৈ হায়রগদি পুথদনবা চাংদা কঞ্জ্যুমরশিংদগী লৌরো। লৈঙাক অমা লৈবগী হৌনবা মীয়ামগীদমক থবক অমা তৌবগীসু ঙাইহাক লৈতনা কোথোক কোথোক্তুনা ঙাঙগদবা ওইরবদি কঞ্জ্যুমরশিংদগীসু চপ চানা লৌরো। মৈদগী শেন্দোং তানগে হায়রবদি শেন্দোংসু ফংদবা, শেল্লেপসু মাঙবগী ফীভমদুদি তৌরনু। কঞ্জ্যুমরশিংগী মরক্তগীসু লৈবা ঙম্বশিংনা থাল্লসনু, ঙমদবশিংনা থান্দসনু। মদুদি নত্তনা কঞ্জ্যুমরশিংদা মৈ পীরিসু হায়বা, মমলসু মাঙজৌননা লৌবা, প্রিপেদ ওইহনবা অদুগা মৈনা মপান্দগী লৈবদনা শেল য়াম্না চঙই, তাঙই, কঞ্জ্যুমরশিংনা পীরকপনা য়ামদে, মাঙবনা হেল্লি হায়দুনা মৈবু পুংজা খুদিংগী পুংমুৎতা মুথৎপা য়াব্রা? হংলুরবসু অচুম্বা অশেংবশিং লোৎশল্লগা থোকউ-থোকউবা হেক্তা খুন্নকই। চাকএ, পোকখাইরে, তৎলে, তুরে হায়বসিনা ঈশিং লিৎতে। অদুবু ট্রান্সফোর্মর অমনা কঞ্জ্যুমর কয়া কোনশিনবা ঙম্বগে? মৈগী চাংনা কয়াম য়াম্না পীবা ঙম্বগে হায়বা খঙদব্রা? অদুগা ট্রান্সফোর্মর অদুদগী কঞ্জ্যুমরশিং ফাওবগী মরক্তা তিংলিবা ৱায়রশিংনা পুরিবা মৈগী চাংদুগী মতুংইন্না পুবা ঙম্বা ৱায়র শীজিন্নফম থোক্তব্রা? শীজিন্নরিবা ট্রান্সফোর্মর, ৱায়র, পোষ্টনচিংবা পূম্নমক মমলগা মশাগা চান্নদবা সব-ষ্টেন্দর্দকী পোৎ ঙাক্তা ওইরব্রা? তৎলে, চাকএ, তুরে, কাইরে, কেল্লে হায়বা পাউখুমসি তোইমনখ্রে। পাউখুমশিংসি খুমদনবা, ৱাহংসু হংলক্তনবা হোৎনৌ। কঞ্জ্যুমরশিংনা পাল্লিবদি পুং ২৪দা অন-ইন্টরপটেদ ওইবা মওংদা মৈ ফংবনি। লাংশোৎপীনা পাউখুম ৱাৎতবগী থৌদৌ তৌনু। মৈ লমশি শিহল্লক্কনু। কুইর-কুইরগা য়োং মানশিল্লক্কনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১) **“লাইথি জাগোয়গী চীন্থাং ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ওরিজিনেল করি লোলদা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

২) **“মেনকাগী মচানুপী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

৩) **“নিতি লীলা দিবারাস”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“পুন্সি অমসুং তিংখং”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **“অশংবা চীংমায়শিং/অমুবা ফিজোল হোংদোকখ্রবদা/কায়রক্লে ঋতুগী খোঙচৎ/ঈচেল লেপখ্রে তুরেলশিং/চেল্লক্লে লৈক্রক্কী ঈচেল”** শৈরেং অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৯০
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলা য়েংলিবা ময়াম্নদি খঙদবা, লীলা পার্টি মশেল শাউনরগা, লীলাদি পূন্না শান্নমিন্নদবা য়াদবা। লীলাগী পার্টতুদদি নুংশিনবা মরুপ শান্নবা, নুংশি নুংশিবা ৱারী অমদি মতেং পাংনবা য়াওবদু তিংখৎতনা শাউনরিবা অনীদুনা লীলা ময়ায়দা কমাইনা এক্টিং তৌনবগে হায়বসি ময়াম্না অমুক্তা শাজিল্লগা খনবীয়ু, কমাইনা তৌরমগনি। লীলাদা নুপী শাজরবসু মীনি, মী হায়সিদি শাউনবসু অদুম য়াওই। হিরো/হিরোইন শারসু, মমা মপা নৎত্রগা মতৈ মনাও শাদুনা অফ ফত্ত নৈনবা হায়সিদি লীলাদা য়াম্না য়াওইদনা, অদুগুম্বা মতাংদুদা শাউনরিবা অনীদুনা মতৈ মনাও শারে হায়না খল্লসি, হিরো-হিরোইন শারে হায়না লৌরসি, অশেংবা তাইবঙদদি মখোয় অনী তিংখত্তনা খৎনরি। খূৎ য়াওদেদা খাক্লিনি। করিগুম্বা মতমদা খূৎ য়াওনবসু য়াওরিবনি, অদুবু লীলাদুদি উত্তবা য়াদে, মা ঐগা খৎনরি হায়দুনা রোল ওন্থোক ওনশিন তৌবদি য়াবা নত্তবনিনা, শুমাংদা থোকখ্রগা কমাইনা তৌই হায়বসিমসু অঙকপা অমনি। লীলা ফি শেৎফমদা শুংকৌ কৌনদবা, অমনা ঙাঙবা অমনা তাদবা, পৈথোক্লদুনা লৈনবা অনীনা লীলা ময়ায় য়ৌখ্রকান্দা দাইলোগতি ঙাঙনদবা য়াদবা, নুংশিনবা শাদুনা নুংশি নুংশি হায়নবা, চঙশিন্নরগা কেন্নবগা য়াওবা মতমদুদা ওইবা ফীভমদো খল্লুরগা য়াম্না নোক্লিংই। লীলাদুবুদি তৌদবা য়াদবনিনা তৌবা, থম্মোয়দদি হু তরেৎমুক খানরিবনি।

মদু চাওরাক্লা ১৯৭৯ নৎত্রগা ৮০ গুম্বা ওইরমগনি। লীলা মমিং পনবদা মীদু শোইদনা খঙবীগনি, লীলাগীসু, আর্টিষ্টতুগীসু মমিং অমত্তা পঞ্জররোই ময়াম ৱারৌবীনু। হৌজিক্তি আর্টিষ্টতু লৈখিদ্রে। ঐগা পানবনি। ঐনা হিরোনি, মানা হিরোইননি। লীলাদুসু য়াম্না মমিং চৎপা লীলানি, ময়াম্না য়াম্না পাম্নবনি। নুমিদাং শ্বষ্ঠি পুজা অমগী শান্নবনি, মফমনা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায় অদুৱাইদনি, চপ চাবা ইমুংদুমদি কাউখ্রে। ঐখোয় অনীসি নুংথিলদগী হৌনা য়াম্না থীনা খৎনৈ। খৎনবগী মরম্না, নুংথিলদা লীলা লৌসি হায়বা, অদুদা ঐনা ইশামক গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ী ওইবা, ঐদা নত্তনা ঐগী মরুপ লৈখিদ্রবা ধনবিরসু এমপ্লোয়ী ওইবা, ঐখোয় অনীগী য়েংলগা ছুটি নুমিৎকুম্বা নৎত্রবদি য়ারগদি নুংথিলসি লীলা লৌরোইসি হায়না হায়নবনি। অদুদা মানা নোইদি তোলোপ চাবনি, ঐখোয়দি লীলা য়াওরগা হিংজবনি, নোইখক্তগী য়েংবা য়ারোই, ঐখোয়গীসু য়েংগদবনি, নুংথিল লীলা লৌদ্রদি লীলা তোক্লনি সিনি। মাই ৱাদু অমরোমদবুদি চুম্মী, অদুবু ঐখোয়গীসু য়েংলগা লীলাদু লৌদ্রদি মীনা কৌরে হায়দুনা পংলৌদা লৌরগা ঐখোয় লাকপা ঙমদদুনা শান্নদ্রবদি কনানা রেসপোন্সিবল পুগনি হায়না খন্নবনি। অদুদা মানা অদু ওইরগা লীলা য়াওগেরা য়াও, থবক তৌগেরা তৌ সিনি। অদুদদি ঐসু ৱারৌরে, ঐখোয়গী পার্টিসিদা য়াওবীবা তারবদি ঐখোয়না লেপচরিবা ৱারেপসিদা য়াবীবা তাবনি, য়ানীংদ্রগদি তোকপীখো হায়না থোক হায়রুবনি। অদুদদি অঙকপা ফংনা শাওনরে। খূৎ য়াওগে তৌনরে, ঐখোয়সু মতমদুদদি য়াম্না নহা ওইরি, ইনখৎলকপগী হৌনবী মীকি লাইকিদবা মতমনি, নহা মশেনগা ওইরে, হেক্তা খৎনরেদে, চিন পেন্নবা হায়নরে। অদুগা নুমিদাংদুদা লীলা শান্নবা লাকপনি। লীলাগী ফি শেৎফমদা মেক-অপ পাক তৌদে, ঐখোয়না নুপা শাবদুদি তৌদ্রসু য়াই, নুপী শাদৌরিদুদি মেক-অপ তৌদ্রদি কমাইনা নুপী ওইনি। মেক-অপ তৌরো হায়না অতোপ্পশিংনা হায়বদগী উচিন নাচিন্না মেক-অপ তৌখ্রে। লীলাদু মতম য়ৌরক্তনা হৌরে। লীলা ময়ায়দদি ঐগা নুংশিনবা শারিনি। শান্নদৌরিবা ৱারীদুসু নুংশিনবগী ৱারী ঙাক্তনি। কাইনবা মতাং, থুংনবা মতাং, মতাং মতাংগী ওইনা য়াম্না ক্লোজ ওইনবা এক্টিং তৌনদৌরিনি। অহানবা থোকপদু শান্নরিবা ৱারী নুংশিনবদু মায় ওনশিন্নদে। লাপ্পা লাপ্পা লেপ্পরগা মায়দু পৈরপ পৈরপ লৈথোক্লরগা দাইলোগতু ঙাঙনৈ। অয়েংবশিংনবুদি থোইনা খনবা জাৎ নত্তে। মরমদি ঙাঙদৌবদুদি অদুম ঙাঙলিবনিনা। খ্বাইদগী নোক্লিংলিদি, ঈশৈ অমা শকমিন্নবা অমা য়াওই - চিনবাননা হায়ফেৎ নোক্লগা, খোঙবীনা লৈমায়দা তক্তুনা, ৱাখল কিসি থোক্লিবী...” হায়বা ঈশৈনি অনী পূন্না শকমিন্নবনি। মদুদদি এক্টিংদু খরা নকশিন্ননা তৌদবা য়াদ্রেদো। অদুদা লাপ্পরম্বা অনীদু খজিক খজিক নকশিন্নরগা এক্টিংদু তৌমিন্নরে। অদুগদি নকশিন্নরকান্দুদা মশক্তু য়েংদবা য়াদদনা য়েংলুবদুদা শাওবদি লায়রদনা নোকনীংবা অমা ফাওরেনে। ঐনা খজিক নোকপা হৌরুবদুদা মাসু নোকথোরক্লে। ঙসাইখৈ শাওনদুনা পৈথোক্লরম্বদু হৌজিক্লা নোকপদা হেক্তা কুম্মৈ তারে। ঐখোয়গী মতৌদুদা ঈশৈ শক্লিবশিংসু নোকপা য়াওশিল্লক্লে। অদুদৈদি, ভাবোক অহল অমনা ফুক লাওনা হৌগৎলক্লগা য়াম্না শাউনা লাউরকই, “কৈগীনো নয়া অদুক হিগৎলগা লীলা তৌরিদো, সি ফাগিরো, ঐখোয়না য়েংলিসি লীলানে, নোইগী নয়া হিগৎপদু য়েংগে লাকপা নত্তে” হায়রকপদগী ইকায়দনা লীলাদু মখা তানা ফজনা চথখিবগী ৱারীসু লৈরিবনি। লীলা পার্টিগী মনুংদা সিসু লীলা মখল অমনি।

অতোপ্পা শাথীনা নোক্লিংবা অমসু লৈ। মমাঙদা ঐনসু পঞ্জখিবা লৈখ্রে। লীলা পার্টি অমগী মনুংদা লীলা য়াওবা হায়বা অমা, লীলা তৌবা হায়বা অমা অনী থোক্লা লৈ হায়দুনা। লীলা য়াওবা হায়সিনা মখোয় মশাগী খুদোংচাবা য়েংদনা লীলা য়াওবা, লীলা তৌবা হায়বসিনা পার্টি অদুগী য়াইফনবা খনবা, থোইদোক্লা মহাক মশাগীনি হায়না খনবা অদুনি। লীলা পার্টি মনুংদা কাইনবা হায়না হেক হেক কায়নরিসিগী মরমসু য়াম্না লৈ। মমাঙদসু ঐ পঞ্জখ্রে খল্লি। মোইগী দিমান্দ খরা পার্টিদা তৌবা মদু য়াদ্রগদি হেক্তা তোক্কে হায়বা। মদু শেল পীয়ু হায়বগী ওইবা য়াই, রোল অফবা পী পীদে হায়বগীসু ওইবা য়াই, দ্রেস লৈবদা শেল মতেং পাংই পাংদে হায়বগীসু ওইবা য়াই। নৎত্রগনা তিন্নবদা নুংঙাইতবা ৱারৌনবা অমদগীসু ওইবা য়াই, লীলা তোকপা হায়বসি ইরোই লোইবা ওপসন অমনি মখোয়গী। অদুনা হৌজিক শান্নরিবা লীলাদু হেক লোইবগদি হান্না হায়নদুনা য়ানদুনা লৈরবা তোকখিগদৌরবা অদুগা লৈহৌদৌরিবা ঐখোয়গা পূন্না লীলা শান্নমিন্নবসি মসিসু অঙকপা এক্সপরিএন্স অমনি। কনাগুম্বনদি ঙসিনা অরোইবনি, পূন্না এক্টিং তৌমিন্নবগী অদুনা পেন্নবা তৌরম্লগে হায়না ফজনা তৌরম্বসু য়াওই। লীলা ময়ায়দগসু লোন্না নাসোন ওইনা হায়রকপগসু য়াওরিয়ে, ঐনা তোকতৌরিসি নখোয়বু নুংশিদবগী নত্তে, তঙাইফদবা অমদগী তোকপনি, ৱারৌনুকো গা হায়রগা মরম ইচা চাদনা মপিগা তারকপগসু য়াওরিবনি। অমনা, ঐখোয়না পামদবদগী আর্টিষ্ট অমা লীলাসি হেক লোইবগা হয়েংদগীদি তোকপীরো, অতোপ্পা মহুৎ অমা লাক্লনি হায়গদৌরবা, মীদুগা পূন্না এক্টিং তৌমিন্নবসিসু ইশাসি করিনোমা তৌবজাৎনি। মহাক মশাদি লীলা তোকহনদৌরে হায়বসি খঙবা নত্তে, অদুনা য়াম্না নোর্মেল ওইনা লীলা তৌমিন্নরিনি, ৱা ৱা নোক্তুনা ফাগি তৌদুনা লীলা শান্নমিন্নরি। ঙাইহাক্তংগী মতুংদদি মা ঐখোয়দগী তোকহনদৌরবনিকো খল্লুবদা দাইলোগ ঙাঙবগসি কাউবগসু য়াওরিবনি। অমনা ঐখোয়দি খঙদ্রিবা, মী মশানদি শান্নরিবা লীলাদু হেক লোইবগা তোক্লুগে হায়দুনা চিঠি ইরগা পুরক্লবা মীদুনা লীলা শান্নমিন্নবদা থরেক থরেক্লদনা তৌবা য়াওই। অদুদা হংলিবনি, ‘কৈদৌরে, করি লীলা খূৎশান্ননো, মীনা শেল পীদুনা কৌরিনি, ফজনা শান্নসি” হায়না হায়বদা নোকফেৎ তৌরগা তৌফম থোকপদু তৌবগসু য়াওরিবনি। অদুগা লীলা লোইরগা ফিরোল লোইশিল্লগা মানা ইদুনা পুরকপা চিঠিদু ঐঙোন্দা পীশিল্লকই, করিনো হায়না য়েংলুবদা “ঙসিদগী ঐ লীলা তোকচরে মতম খরা পোথাজরগে, ময়াম ৱারৌবীনু” হায়না ইবা ওইরম্মী।

মতম অমদা লীলা তোকহনবসি চিননা হায়বা ঙমদদুনা অয়াম্বা চিঠি ওইনা ইরগা পীনৈ। অদুনা চিঠি অমবু লাক্লবদি শোয়দনা করিনোমা তৌদৌরে হায়বসি খঙনৈ। তোক্কে হায়বসু, তোকও হায়বসু চিঠি ঙাক্তনি। চিননা হায়বসু য়াওদি য়াওই, ফজনা কৌথোক্লগা ঈংনা ৱারী ওইনা শানরগা, হয়েং মতম অমা অমুক লাক্লগা পূনমিন্নসি ৱারৌনরোইসিকো হায়না হায়নবগসু য়াওদবদি নত্তে। লীলা মনুংদা তৌরিসিদি ময়াম্নদি উদবা ওন্থোক্লা নুংঙাইখ্রবা এক্টিং ময়াম অমসু লীলা পার্টি মনুংদা তৌনরিবনি। লীলা ওইনা থোরকপদদি ময়াম্না উদবগী ৱানি। য়াম্না নোক্লিংবা, য়াম্না নুংঙাইতবা কয়া য়াওই। ঐগী শুমাং লীলাগী খোঙচৎ অদুদা মখল মথেল কয়া অমা থেংনখি। ময়ামদুগী মনুংদা লীলা পার্টি মনুংদা কায়নবা হায়বা অসি অচৌবা লাল্লোং অমনি। লীলা পার্টিগী মনুংদা খরা পামদবা, ময়াম্না রিজেক্ট তৌরকপা আর্টিষ্ট য়াওরকপদা করম্না মহাকপু ফগৎহনগদগে অমদি করি রোল পীরগা চান্নগদগে হায়না য়াম্না য়েংই। য়ারক্ত্রবদি মহাক তোকহল্লগা খরা ফবা আর্টিষ্ট অমা থিবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। মসিগী লাল্লোংসি অঙকপা অমনি। লীলা তোক্লিংবা আর্টিষ্টনসু অদু মঙাই। মহাক্লা তোকনীংলবদি মাগী নেচরসি হেক্তা হোঙলকই। মীয়ামগা ইপুন পুন্দবা, ৱারী মক্তা শারসু খরা মরৌ লৈরপ শানবা, হান্না শান্নরম্বা লীলাগী ৱারীদগী অতোপ্পা ৱারীদা দাইভর্ট তৌরক্লবা মহাক করিনো ৱাখল অমা খল্লে হায়বসি ইরায় লায়না খঙই। মতমদুদদি ঐ ইশাসু খূকউ শেনবা হৌরে। অদুনা মহাক্কী মুভমেন্টশিং অসি মী থাদোক্তুনা অমদি হকথেংননা য়েংশিনবা হৌরে। অদুগা ইরায় লায়নসু খঙই, মহাক পার্টি অমদা এনগেজ তৌরে, অদুদা য়াওদৌরে হায়বসি। মদুগী শামিন খজিক ফংবদা ঐখোয়সু অতোপ্পা মীশক অমা থিবা হৌরে। মহাক্লা তোক্কে হায়দ্রিঙৈদা অতোপ্পা মীদু লোন্না য়ূমদা কৌরগা রিহার্সেল তৌরগা রেদিদা থল্লিবনি। মানা হেক তোক্কে হায়বগা য়ারে য়ারে তোক্কদবা ওইরদি ঙসিদগী অদুম তোকপীরো হায়না তোকহল্লগা অনৌবদুগা নোং হেক ঙানবগা লীলা শানবা হৌরিবনি। অদুনা ঐখোয়গী কাঙবুসি লীলা পার্টিনা য়াম্না কিনখিবনি মতম অমদা। য়াম শাথীবা প্লান য়াম তৌই হায়না। নুংঙাইখ্রবা ৱারীনিদা। য়াম্না লৈরি। ●

# খোঙচৎতুগী অৱা নুংঙাই পাউদম খরা -২
## (কোলকটা এয়রপোর্টতা চঙবা য়াখিদবদা)

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

মতুং তারকপদদি য়াম্না নুংঙাইরে মরু ওইনা সিলগুিরিদগী মী মাপল তোংবা য়াবা গাড়ী অমা হঙ্গৎ হন্দা চৎপগী অমদি দার্জিলিংদা লৈরিঙৈদা কোইথোক কোইশিন তৌবগী পূন্না পেকেজ ওইনা রিজার্ভ তৌদুনা চৎপদগী। পুং অহুম্মুক চঙবা লম্বীদুদা পুঙ্খায়মুক্কী মতুংদদি অদুম হৌরে ঈংবা, য়াম্না নুংঙাই ৱেদরদো। দার্জিলিংদা অয়ূক্কী পুং ১১.৩০ অদুৱাইদা য়ৌদুনা ঐখোয়গী হোটেলগী কাদা চঙবদনি ইয়াম্বা, ইতৈমা অমদি ইশুশিংনা অসুক্কী মতিক নুংঙাইজরিবা, মরু ওইনা অদুগুম্বা অনানবা হোটেল রুম অমদা অমুক ফাওবা লৈরক্তবনা। মালেমগী মফম কয়াদা শান্নবগী নৎত্রগা কোইবা চৎপদা ষ্টার রেঙ্কিং হোটেল কয়াদা লৈরক্লবা ঐ ফাওবা নুংঙাই ঐখোয়গী হোটেল রুম অনীদো চঙবদা। তৌবগীবুদি ইয়াম্বা, ইতৈমা অমদি ইশুশিংনা চৎপদা অমদি লৈবদা নুংঙাইজনবা হায়দুনা গাড়ীসু হোটেলসু শেল ফনা য়াম্না চঙনা লৌখিবনি। দার্জিলিংগী খোঙচৎ য়াম্না নুংঙাই খরা তেল্লবসু। খরা শাংথগদবসু ঐহাক্কী টাইৱানগী খোঙচৎ অমদি কোলকটাদসু কোইগদবা লৈবনা য়াদ্রে। দার্জিলিংদা মফম তরামুক্তি য়েংখি লোয়ননা দার্জিলিং সিটিদা খোঙনসু কোইদুনা পোৎ চৈ খরা লৈখি। চাবা থকপসু য়াম্না হাওই ঈংবনসু ওইরম্বা য়াই।

নুমিৎ নীনিগী মতুংদা দার্জিলিংদগী ন্যু জালপাইগুরি লোমদা থোরক্লে ঐখোয়গী হান্নগী রিজার্ভ তৌখ্রবা গাড়ীদু তোংদুনা হল্লকপগী খোঙচৎ অদুদদি য়াম্না কিবা থৌওং খরদি থেংনখি। অতৈ নত্তে ঐখোয়গী ড্রাইভরদুনা অদুক ৱাংবা চীংগী লম্বীদুদা মহাক্লা মমিৎ উইশিল্লগা গাড়ী থৌবদুনি। লাইবক ফবনা ঐহাক্লা উহৌবদগী মমিৎ শীংহন্দুনা থৌহল্লে। ৱারী শাবদা ঙরাং নুমিদাং নিংথিজনা তূম্লক্তে হায়না পাউদম্লকই। মহাক্লা গাড়ী হাইরং হাইরং থৌবদুদা করিগীনো হায়না য়েংলুবদা মমিৎ উইরুম উইরুম থৌ লৈরম্বদু উরকপনি ঐহাক্লা। মতুং তারকপদদি মঙোন্দা ৱারী শাদুনা মমিৎ শীংনা থৌহল্লে। ফাগি ওইনা ঐখোয় কোলকটা য়ৌবা পাম্মী, ঐহাকসু টাইৱান য়ৌগদবা ৱাৎলি হায়না ৱারী তৌই মঙোন্দা। করিগুম্বা মহাক্লা তূমখিবদগী গাড়ীদো লম্বীদগী হেন্দোকখ্রবদি শোয়দ্রে ঐখোয় লোইনা য়ূমদা অমুক হল্লক্তবা। মখা তারকপদা অমুক্কসু উইরুম উইরুম তৌরকই তম্পাক য়ৌরমদাইদা। মদুসু ঐহাক্লা থেংনদুনা মমিৎ অমুক শীংহল্লি। পূন্না অহুম্লকনি অসুম্না ঐখোয় ড্রাইভরদুনা উইরুম উইরুম থৌবা। ঐহাক্তি মহাক্কী মওংদুদা কিবনা, পাখৎপনা লোইরে। মরম অসিনা সোম সোমগী ড্রাইভরনা করম্না গাড়ী থৌরি হায়না য়েংশিনবা য়াম্না মথৌ তাই। মরু ওইনা মমাঙদা ড্রাইভরগী মনাক্তা তোংলিবা মীওই অমনা কৈদৌনুংদসু তূম্লোইদবনি। ড্রাইভরগী মনাক্তা ফম্লগা তূম্লবদি ড্রাইভরসু শোয়দনা তূম্নিংবা ফাওরক্কনি হায়বগী পাড়াসে ঐহাক্তি ঐখোয়গা হৌজিক হৌজিক চৎমিন্নরিবা ইয়াম্বা অহুমশুবা অসিনা জিরিবাম, গুৱাহাটি লাইনদা টাটা থৌরিঙৈদা মহাক্লা হায়বদগী খঙহৌবনি। মসিননি ঐহাক্লা মমাঙদা ফম্বদা শুংতূম তূমদনা ঐখোয়গী ড্রাইভর অদুবু শেন্নদুনা লাক্লিবা। ঐহাক য়াওরমদ্রবদি করি ওইরমগনি তম্বা ঙমদেদো। কিবু কি খল্লুবদা।

ন্যু জালপাইগুরি কোলকটারোমদা ট্রেন তোংদুনা লাক্লে। হল্লকপগী খোঙচৎসিমদি মী য়াম্না কোম্না লাকই, নুংঙাইনা তূম্লগা লাক্লে কনা অমত্তনা অয়েৎপা পীরকপা তৌদনা। Sealdah train station হেক য়ৌবগা টেক্সি অনী রিজার্ভ তৌদুনা লাক্লে ঐখোয়গী হোটেলদা। কোলকটাগী হোটেল রুম অহুমদুসু য়াম্না নাল্লি, এয়রকন্দিসনসু য়াম্না কল্লি, ৱাইফাইসু য়াম্না য়াঙই। কোলকটাদা কোইথোকপগীসু এ সী য়াওবা জপানগী টোয়োতা কম্পেনিগী INNOVA হায়রিবা কার অচৌবা অদু রিজার্ভ তৌদুনা কোইরে Science City, Victoria Memorial, Saint Paul Cathedral, Howrah Bridge নচিংবা মফমশিংদা। অদুগা নুমিদাংগী মতমদনা City Center Shopping Mall দা চৎতুনা পোৎ চৈ লৈদুনা অমদি অঙ্গংবা থক্তুনা নুংঙাইনা মতম লেল্লি। কোলকটাগী ন্যু টাউনদা লৈবা ইকো পার্ক য়াম্না চাওই ঐখোয়গী গাড়ীদগী উবদা। কোইবা চৎলুসি হায়না তৌরগা থেংদুনা থোঙ লোনখিবদগী চৎত্রে।

মথং নুমিৎ হোটেলদা অয়ূক্কী buffet breakfast চারবা মতুং পুং ১১ রোম তারকপদা রিজার্ভ তৌখ্রবা এ সী য়াওবা INNOVA কারদুদা কোলকটা এয়রপোর্টতা অমুক থিলহল্লি। মতৌ অসুম্না মপালগী অশাবা ফাওদনা মখোয় লোইনা এয়রপোর্ট মনুংদা চঙহল্লে। অসুম্না হৌরকপদা Sealdah train station দা খরা ৱাখিবা, মীপাইখিবা অমদি দার্জিলিংদগী হল্লকপদা ড্রাইভরনা উইনা থৌবগী অকিবা খরদু নত্তনা অতৈদি য়াম্না নুংঙাইনা লোইশিনখি, মরু ওইনা ইয়াম্বা, ইতৈমা অমদি ইশুশিংগী ওইনা।

অদুবু লাইবক থীবা হায়গদ্রা, য়াম্না নুংঙাইতবা অমনা ইচিন ইনাও, ইচা অমদি ইশুশিংগা চৎলমদাইগী মতমদা নিংথিনা পুকমেন পাউমেন্নবা অদুমদি ফংখিদ্রে ঐহাক্লা এয়রপোর্ট মনুংদা মখোয়গা পূন্না চঙবা য়াখিদবনা। ঐহাক্কী টাইৱান য়ৌগদবা ফ্লাইটকী মতমনা অহিং মতুং নোংঙাল্লকপগী অয়ূক্কী পুং ২দা ওইখিবনা নুমিদাংগী পুং ৮গী মতুংদা চঙবা য়াগনি হায়দুনা মনুং চঙবা য়াখিদবনি। টাইৱান, কোরিয়া, জপান, সিঙ্গাপোরনচিংবা মফমশিংদদি অসুম্না এয়রপোর্ট মনুংদা ঙন্না চঙবদা অথিংবা লৈতবনা ঐহাক্লা কোলকটা এয়রপোর্টতসু চঙবা অদুম য়াগনি খল্লুবনি। অদুবু য়ারমদ্রে। মতৌ অসুম্না পুকমেন পাওমেন্নবা ফংদনা ঐহাক অতোপ্পা মনাক নকপা হোটেল অমদা লৈখি। তৌবগীদি পুকমেন পাউমেন্নবা ফংখিদবা অদুনা ঐখোয়গী মরক্তা হেন্না নুংশিবগী মরী অমদি পুরকখি। মতমদুদা ঐহাক মখোয়বু মিস য়াম্না তৌখি, কপনীংবসু ফাওখি, অদুগা মখোয়সু ঐহাকপু মিস য়াম্না তৌখি। করিগীসু মিস তৌরোই ঐহাক্লা মখোয়গীদমক অঙম্বা খরা তৌরিবা অসুম্না কনানসু মখোয়গীদমক তৌবিখিবা লৈত্রি মমাঙদা।

ঙসি ঙসি ঐহাক্কা ঐহাক্কী ইয়াম্বশিং, ইতৈমশিং, ইয়াম্বগী ইচাশিং অমদি ইশুশিং অসিগা ঐহাক্কগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশি চান্নবগী মরী অসি করিগুম্বা ঐহাক্লা ইশাগীতা খন্দুনা মখোয়গীদমক ঙমজবা শেল খরা পুথোক্তুনা মতেং পাংলমদ্রবা অমদি কোইবনচিংবা পুবিরমদ্রবদি মরীগী অকনবা নুংশিনবগী মরীসে লৈরমদবসু য়াই। মসি হায় হায়দুনা শেলনা খুদিংমক লৈবা য়াই হায়বদি লানগনি। মরু ওইরিবদি মতেং পাংনীংলিবা ৱাখল্লোল অমদি থম্মোয় অদুনি।

মখোয়না এয়রপোর্ট মনুংদা চঙখ্রবা মতুং ঐহাক্লদি চঙবা য়াদ্রবা মতুং হোটেল থিরিঙৈ অমদি হোটেল ফংদুনা হোটেলদা লৈরিঙৈ মতমদুদা মখোয়না এয়রপোর্ট মনুংদগী ঙাইহাক লৈতনা ফোন তৌদুনা “পুপু কমাই তৌরিগে, হোটেলদা লৈরব্রো” হায়বনচিংবা কয়া ঐঙোন্দা ফোন তৌদুনা হংলকখি অমদি খঙহল্লকখি। অসুম্না মতেং পাংনদুনা নুংশিনবগী মরী শেমগৎপা হায়বসি হিংমিন্নবদা য়াম্না মথৌ তাই হায়না খল্লি ঐহাক্কী ৱাখল্লোনদদি। হন্দক্কী খোঙচৎসিনা হৌরকপনি। মতুং তারকপদা ঐহাক্লা তৌগে খল্লিবনা অহল ওইশিল্লক্লবা ঐহাক্কী ইয়াম্বা মরিমক টাইৱান্দা কোইবা পুবিবা অসিনি চহী অনী অহুম অসিগী মনুংদা। শেলদি তানবা য়াই অদুবু মীওইবগী পুন্সিদি অমুক হন্না তানবা য়াদবনিনা হিংলিঙৈদা মতেং পাংনবা অমদি নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবসি ঐহাক্তি য়াম্না লূম্না অমদি লুনা লৌজৈ। অঙাংশিংদি মতম য়াম্না লৈরি, কোন্না কোইবা য়াই। ইশাগীদমক নৎত্রগা ইচাশিংগীনি হায়দুনা অপেনবা নাইদনা শেল তুংশিন্দুনা ঐহাকপু মী অমা ওইনবা শেম্বীরকপা ইচেশিং, ইয়াম্বশিংবু কাউথোকপীবা অমদি মীরাইবীবা হায়বসি ঐহাক্কী থম্মোয়দদি য়াদে। নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবনা য়াইফরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।